হুয়েন লানপাও
HUEIYEN LANPAO

মহারাজ কুমার গনেন্দ্রজিৎ মেমোরিএল সুপর দিভিজন ফুটবোল লীগ টুর্নামেন্ট

# এস এ কেনা দি ও এ কেবু ৩-০ দা অমসুং ৱাই ও এস সীনা য়ু এস এবু ১-০ দা মায়থীবা পীখ্রে



ইম্ফাল, জুলাই ১৯ :
ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্ট ফুটবোল এসোসিএসনগী মিৎয়েং মখাদা ক্ষেত্রিগাওগী অবা (এ বি এ) গ্রাউন্দদা চথররিবা মহারাজ কুমার গনেন্দ্রজিৎ মেমোরিএল সুপর দিভিজন ফুটবোল লীগ টুর্নামেন্ট ২০১৭ কী ঙসি শান্নখিবা মেচশিংদা এস এ কেনা দি ও এ কেবু গোল ৩-০ দা অমসুং ৱাই ও এস সীনা য়ু এস এবু গোল ১-০ দা মায়থীবা পীখ্রে।

টুর্নামেন্ট অসিগী তরুকশুবা মেচ ওইনা ঙসি নুংথিল পুং ১.৩০ তাবদগী দি ও এ কে অমসুং এস এ কেনা শান্নখি। মেচ হৌরকপগী মঙাশুবা মিনিটতা এস এ কেগী জর্সি নম্বর ৮ বিতমকুমারনা অহানবা গোল চন্দুনা মেচ অসি এস এ কেনা ১-০ দা মাঙজিল থাখি। গোল অদু হন্দোক্লনবা দি ও এ কেগী মায়কৈদগী কন্না হোৎনরকখি। অহানবা হাফকী মতমদা গোল অদু হন্দোকহৌনবা দি ও এ কেগী শান্নরোয়শিংনা কন্না হোৎনরবসু গোল ওন্থোকপদি ঙমখিদে। অহানবা হাফ লোইবদা এস এ কেনা গোল ১-০ দা মাঙজিল থাদুনা চৎখি।

মেচকী অনীশুবা হাফকী ৩৬ শুবা মিনিটতা এস এ কেগী জর্সি নম্বর ১৯ টি ঐচ অবোয়না গোল অমগা অমুক চন্দুনা মহাক্কী টিম্না গোল ২-০ দা মাঙজিল থাখি। মিনিট অমখক কান্নরগা মেচকী ৩৭ শুবা মিনিটতা এস এ কেগী জর্সি নম্বর ১০ এন সঙ্করনা গোল অমগা অমুক চনশিন্দুনা মেচ অদু এস এ কেনা মাঙজিল থারগা গোল ৩-০ দা লৈখি।

গোলশিং অদু হন্দোক্লনবা দি ও এ কেগী শান্নরোয়শিংনা কন্না হোৎনখি। অদুমকপু মেচ লোইবা ফাওবদা গোল অমত্তা হন্দোকপা ঙমখিদে। মেচ অদু এস এ কেনা গোল ৩-০ দা মায় পাকখি। মেচ অদুদা দি ও এ কেগী এস জিবন, দানে অমসু এস এ কেগী সমানন্দ অমদি রোমি মেচ রেফ্রিনা কোসন পীখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী তরেৎশুবা মেচ অদু ঙসি নুংথিল পুং ৩.৪০ তাবদগী ৱাই ও এস সী অমসুং য়ু এস এনা শান্নখি। মেচ হেক হৌরকপদগী হৌনা টিম অনীমক্না অকনবা মওংদা লম্বা তৌনখি। অহানবা হাফকী তঙ্খায় চল্লকপা ফাওবদা টিম অনীমক হেনজিন্নবা ঙমদনা লৈখি। মেচকী অহানবা হাফ লোইবা ফাওবদা টিম অনীমক্না গোল অমত্তা চন্নবা ঙমদনা ০-০ দা লৈখি।

অনীশুবা হাফ হৌরক্লবা মতুংদসু টিম অনীমক্না অকনবা লম্বা তৌনদুনা অমনা অমবু হেনজিন্নবা ঙমদনা লৈখি। অনীশুবা হাফকী তঙ্খায় চল্লকপা ফাওবদা টিম অনীমক্না গোল অমত্তা চন্নবা ঙমখিদে।

টিম অনীমক্না অকনবা লম্বা তৌনদুনা শান্নরিঙৈ চৈরক্তা মেচকী ৭৯ শুবা মিনিটতা ৱাই ও এস সীগী জর্সি নম্বর ২৪ অসবির শাহানা গোল অমা চন্দুনা মেচ অদু ৱাই ও সীনা ১-০ দা মাঙজিল থাখি। গোল অদু হন্দোক্লবগীদমক য়ু এস এগী শান্নরোয়শিংনা অরৈবী থাদুনা হোৎনরকখি। অদুবু মেচ লোইবা ফাওবদা গোল অদু হন্দোকপা ঙমখিদে। টুর্নামেন্ট অসিগী তরেৎশুবা মেচ অদু ৱাই ও এস সীনা গোল ১-০ দা মায় পাকখি।

মেচ অসিদা য়ু এস এগী শান্নরোয় সী ঐচ চীংলেন, গোবিন্দো অমসুং গাইজিন কামৈ মেচ রেফ্রিনা কোসন পীখি। অদুগা ৱাই ও এস সীগী শান্নরোয় অসমির শাহাবুসু মেচ রেফ্রিনা কোসন পীখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী মখা চত্থরকপা ওইনা হয়েং নুংথিল পুং ১ তাবা মতমদা য়ু পি এ এ অমসুং এস এস সী শান্নগনি। অদুগা নুংথিল পুং ৩ তাবা মতমদনা য়ু পি এস এ অমসুং এন আই ভি এস ও শান্নগনি। লাক্লিবা জুলাই ২১ গী নুংথিল পুং ২.৩০ তাবা মতমদনা পি ৱাই এ অমসুং এলেভেন ষ্টার শান্নগনি।

তরানিপানশুবা এস বিরেন্দ্র সিংহ মেমোরিএল সুপর দিভিজন ফুটবোল লীগ

# এন সী সী অমসুং বি এম এস সী মায় পাকখ্রে



ইম্ফাল, জুলাই ১৯ : ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট ফুটবোল এসোসিএসনগী মিৎয়েং মখাদা অৱাং সেকমাইগী এস কে ৱাই সী গ্রাউন্দদা চত্থরিবা ১৮ শুবা এস বিরেন্দ্র সিংহ মেমোরিএল সুপর দিভিজন ফুটবোল লীগ ২০১৭ কী ঙসি শান্নখিবা মেচশিংদা এন সী সী খোঙহাম্পাৎ অমসুং বি এম এস সী তাওবুংখোক মায় পাকখ্রে।

টুর্নামেন্ট অসিগী তরামাথোইশুবা মেচ ওইনা ঙসি নুংথিল পুং ১.৪০ তারকপা মতমদগী সী ঐচ আই কে এল লিলোং চজিং অমসুং এন সী সী খোঙহাম্পাৎ শান্নখি। মেচ অদু হৌরকপগী ১২ শুবা মিনিটতা এন সী সীগী জর্সি নম্বর ১৫ ৱাই হেম্বনা মেচকী অহানবা গোল চন্দুনা মহাক্কী টিমনা গোল ১-০ দা লিদ তৌখি।

মেচকী ২৪ শুবা মিনিটতা এন সী সীগী জর্সি নম্বর ১১ এন জি নাওচানা অতোপ্পা গোল অমগা অমুক চন্দুনা মেচ অদু এন সী সীনা গোল ২-০ দা মাঙজিল থাখি। গোলশিং অদু হন্দোক্ননবা সী ঐচ আই কে এলগী শান্নরোয়শিংনা অকনবা মওংদা হোৎনখি অদুবু অহানবা হাফ লোইবা ফাওবদা গোল অমত্তা হন্দোকপা ঙমদনা লৈখি।

অনীশুবা হাফ হৌরকপগী ৫০ শুবা মিনিটতা সী ঐচ আই কে এলগী জর্সি নম্বর ১০ এস ঐচ নেত্রজিৎনা গোল অমা হন্দোক্লুনা মেচ অদু ১-২ দা লৈহনখি। অতোপ্পা গোল অমগা অমুক সী ঐচ আই কে এলগী মায়কৈদগী হন্দোক্লবা হোৎনরিঙৈদা এন সী সী জর্সি নম্বর ৫ এল খেলেম্বনা মেচকী ৫১ শুবা মিনিটতা গোল অমা অমুক চন্দুনা মেচ অদু এন সী সীনা গোল ৩-১ দা লৈহনখি।

মেচকী ৫৯ শুবা মিনিটতা এন সী সীগী জর্সি নম্বর ১৫ ৱাই হেম্বনা মহাক্কী অনীশুবা গোল চন্দুনা মেচ অদু এন সী সীনা গোল ৪-১ দা মাঙজিল থাখি। এন সী সীগী মায়কৈদগী চল্লকখিবা গোলশিং অদু হন্দোক্লবা সী ঐচ আই কে এলগী শান্নরোয়শিংনা কন্না হোৎনরবসু মখা তাবা গোল অমত্তা হন্দোকপা ঙমখিদে। মেচ অদু এন সী সীনা গোল ৪-১ দা মায় পাকখি।

মেচ অদুদা সী ঐচ আই কে এলগী এল প্রেমকান্তা অমসুং এস রিমাইন্দর অমদি এন সী সীগী আর কে সুসিলবু রেফ্রিনা কোসন পীখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী তরানিথোইশুবা মেচ ওইনা ঙসি নুংথিল পুং ৩ তাবা মতমদা বি এম এস সী তাওবুংখোক অমসুং ৱাই দল্লিয়ু সী মালোম শান্নবা হৌখি। মেচ অদু হৌবগা অনীশুবা মিনিটতা বি এম এস সীগী জর্সি নম্বর ৯ টি ঐচ বোনার্দনা ৱাই দল্লিয়ু সীগী মায়কৈদা গোল অমা চনশিন্দুনা মেচ অদু বি এম এস সীনা ১-০ দা হেক হৌবগা লৈহনখি।

মেচকী ২৫ শুবা মিনিটতা বি এম এস সীগী জর্সি নম্বর ১১ এল সনাথোইনা গোল অমগা অমুক চন্দুনা মেচ অদু মহাক্কী টিমনা গোল ২-০ দা মাঙজিল থাখি। মেচকী ৪০ প্লস ১ চৎপা মতমদা বি এম এস সীগী জর্সি নম্বর ১২ টি ধিরেন্না গোল অমগা অমুক চনখি। অহানবা হাফ লোইবা ফাওবদা ৱাই দল্লিয়ু সীগী মায়কৈদগী গোলশিং অদু অমত্তা হন্দোকপা ঙমখিদে। মেচ অদুগী অহানবা হাফ লোইবা ফাওবদা বি এম এস সীনা গোল ৩-০ দা মাঙজিল থাদুনা লৈখি।

অনীশুবা হাফ হৌরকপদগী ৱাই দল্লিয়ু সীগী শান্নরোয়শিংনা গোলশিং অদু হন্দোক্ননবা কন্না হোৎনখি। ৱাই দল্লিয়ু সীগী জর্সি নম্বর ৩ এল মনিনা মেচকী ৭৪ শুবা মিনিটতা গোল অমা হন্দোক্তুনা মেচ অদু ১-৩ দা লৈখি।

মেচকী অরোইবা পুংজা ফাওবদা ৱাই দল্লিয়ু সীগী মায়কৈদগী অতোপ্পা গোল মখা তানা হন্দোকপা ঙমখিদে। বি এম এস সীনসু মখা তানা অহেনবা গোল চনবা ঙমখিদে। মেচ অদু বি এম এস সীনা গোল ৩-১ দা মায় পাকখি।

বি এম এস সীগী শান্নরোয় কে ঐচ অমরজিৎ, ৱাই জয়ন্তা অমসুং টি ধিরেন মেচ অসিদা রেফ্রিনা কোসন পীখি।

# ৱাই এল সী দিবোং খুনৌনা এস এ ৱাই সী টিম বিবু মায়থীবা পীদুনা এন পট্টমা মেমোরিএল মেন'স কাং টুর্নামেন্টকী ৱিন্নর ওইখ্রে



জিরিবাম, জুলাই ১৯ :
ওল জিরিবাম স্পোর্টস এসোসিএসন (এ জে এস এ) না শিন্দুনা জিরিবামগী কালিমাই কাংশঙদা টিম তরেৎনা শরুক য়াদুনা চত্থরকখিবা ২০ শুবা এন পট্টমা দেবী মেমোরিএল মেন'স কাং টুর্নামেন্ট ২০১৭ কী ঙসি শান্নখিবা ফাইনেল মেচতা ৱাই এল সী দিবোং খুনৌনা এস এ ৱাই সী টিম বি সোরোক অতিংবীবু মায়থীবা পীদুনা ৱিন্নর ওইখ্রে।

ৱাই এল সী দিবোং খুনৌ অমসুং এস এ ৱাই সী টিম বি সোরোক অতিংবীগী মরক্তা শান্নখিবা টুর্নামেন্ট অসিগী ফাইনেল মেচ অদু এস এ ৱাই সী টিম বি সোরোক অতিংবীনা টোস ঙমদুনা মায়কৈ খনখি অমদি ৱাই এল সী দিবোং খুনৌনা কাং কাপ্পা হৌখি।

টিম অনীমক্না ফাইনেল মেচ অদু অকনবা মওংদা লম্বা তৌদুনা শান্নখি। মেচকী অপীবা মতমগী মনুংদা ৱাই এল সী দিবোং খুনৌনা এস এ ৱাই সী টিম বি সোরোক অতিংবীবু পাঞ্জল ২১-১৬ তা মায়থীবা পীখি।

ফাইনেল মেচ অদুগী রেফ্রিনা টি ঐচ জুগমনি অদুগা স্কোররনা কে ঐচ বসন্তনা ওইখি। ৱাই এল সী দিবোং খুনৌগী শান্নরোয় টি ঐচ রঞ্জন্না হায়েষ্ট চেকফৈ (১৬) গী মনা ফংখি। অদুগা ৱাই এল সী দিবোংগী শান্নরোয় টি ঐচ গুনাধোরনা হায়েষ্ট লমথা (১৮) গী মনা ফংখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি লোইশিনবগী থৌরমদা জিরিবাম ম্যুনিসিপাল কাউন্সিলগী চেয়রপাসন এস শান্তিনা চীফ গেষ্ট, ওল জিরিবাম স্পোর্টস এসোসিএসন (এ জে এস এ) গী ভাইস প্রসিদেন্ট এস মনিতোন্না প্রসিদেন্ট অমসুং টুর্নামেন্ট অসিগী দোনর এন জয়চন্দ্রনা গেষ্ট ওফ ওনর ওইনা শরুক য়াখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী ৱিন্নর ওইখ্রবা ৱাই এল সী দিবোং খুনৌ অমসুং রন্নর্স-অপ তাখ্রবা এস এ ৱাই সীদা ফঙ্কসনগী দাইজ মেম্বরশিংনা ট্রোফি য়াওনা মনা মথুমশিং য়েন্থোকখি।

# রবি শাস্ত্রিনা মপান লৈবাক্কী টুরদা সচিন টেন্দুলকরবু কন্সল্টেন্ট ওইনা হাপ্পিবগী অপাম্বা ফোঙদোকখ্রে



ন্যু দিল্লি, জুলাই ১৯ (এজেন্সী) :
চয়োল কয়া লৈখায় তাদনা লৈরকখ্রবা মতুংদা বোর্দ ওফ কন্ট্রোল ফোর ক্রিকেট ইন ইন্দিয়া (বি সী সী আই) না চীফ কোচ রবি শাস্ত্রিগী সপোর্ট ষ্টাফ খনখ্রে। অদুম ওইনমক রবি শাস্ত্রিনা বি সী সী আইগী স্পেসল কম্মিটিদা সচিন টেন্দুলকরবু কন্সল্টেন্ট ওইনা হাপ্পিংবগী ৱাফম পুখৎখ্রে।

রবি শাস্ত্রিবু কোচ ওইনা খনখিবা ক্রিকেট এদভাইজরি কম্মিটি (সী এ সী) দা য়াওরিবা টেন্দুলকরবু মপান লৈবাক্কী টুর কয়াদা কন্সল্টেন্ট ওইহনবা তারবদি ইন্দিয়ন টিমনা ফজবা পার্ফোমেন্স পীবা ঙমগনি হায়না শাস্ত্রিনা পুখৎখি।

করিগুম্বা টেন্দুলকরনা কন্সল্টেন্টকী ফম পায়বা তারবদি হৌজিক হৌজিক মহাক্না পায়রিবা অতৈ অতোপ্পা ফমশিং থাদোকপগী ফীভমদা লাক্কদৌরি। মুম্বাই ইন্দিয়ন্সতগী হৌরকখিবা টেন্দুলকরনা হৌজিক কোচিং ষ্টাফতা য়াওরি।

বেটিংগী কোচ ওইনা খনখিবা রাহুল দ্রাবিদনা আই পি এলদগী লাপথোরকখিবগুম সচিন টেন্দুলকরসু কন্সল্টেন্ট ওইনা খনবা তারবদি আই পি এল য়াওনা অতৈ অতোপ্পা মহাক্না পায়রম্বা ফমশিং থাদোক্কদবনি হায়রি।

পনবা য়াবদি বি সী সী আইনা ভারত অরুনবু টিম ইন্দিয়াগী অনৌবা বোলিং কোচ ওইনা খনবা লৈখ্রবনি। কুমজা ২০১৪ দগী ২০১৬ ফাওবা ইন্দিয়ন টিমগী টিম দিরেক্টর ওইরম্বা শাস্ত্রিনা ভারত অরুনবু বোলিং কোচ ওইহন্নবা থৌরাং লৌখৎতুনা লাকখিবনি। বি সী সী আইনা ইন্দিয়াগী অনৌবা চীফ কোচতা চহী খূদিংগী লুপা ক্রোর ৮ তলব ওইনা পীনবগী মতাংদসু ৱারেপ লৌবা লৈখ্রবনি।

মমাঙদা অনিল কুম্বলেনা ইন্দিয়ন টিমগী চীফ কোচ ওইরিঙৈদা চহী খূদিংগী লুপা ক্রোর ৬.৫ ফংলম্বনি।

অতোপ্পা কোচ অহুম - ভারত অরুন, আর শ্রীধার অমসুং সঞ্জয় বঙ্গারবু মথংশিংনা লুপা ক্রোর ২ দগী লুপা ক্রোর ৩ ফাওবা ফংলবা য়াই হায়না থাজনরি।

পাউগী মীফম অমদা ৱা ঙাঙখিবদা বি সী সী আইগী জোইন্ট সেক্রেটরিনা রবি শাস্ত্রিগী মখাদা থবক তৌগদবা অনৌবা সপোর্ট ষ্টাফকী মমিং লাউথোরকখিবনি। ভারত অরুননা কুমজা ২০১৯ গী ক্রিকেট ৱর্ল্ড কপ লোইদ্রিবা ফাওবা ফুল টাইম বোলিং কোচ ওইনা লৈখিগনি।

অমরোমদা সঞ্জয় বঙ্গরনা ইন্দিয়ন টিমগী এসিষ্টেন্ট কোচ ওইনা মখা তানা অদুম্মক মথৌ তৌখিগনি। কম্মিটি ওফ এদমিনিষ্ট্রেটরস (সী ও এ) গী মেম্বর দাইনা এদলজি, সী ঈ ও রাহুল জোহরি, এক্টিং সেক্রেটরি অমিতাব চৌধরি অমসুং এক্টিং প্রসিদেন্ট সী কে খান্না য়াওবা মেম্বর মরিগী পেনেলনা মুম্বাইদা মীফম অমা পাঙথোক্লবা মতুংদা ইন্দিয়ন টিমগী সপোর্ট ষ্টাফ খনখিবনি।

মশাগী চহী ৫৫ শুরবা শাস্ত্রিনা ভারত অরুনবু বোলিং কোচ ওইহন্নবগী ৱাফম পুখৎলকখি। মমাঙদা শাস্ত্রিনা নেসনল স্কৱাদকী টিম দিরেক্টর ওইরিঙৈদা অরুনগা পুন্না থবক তৌমিন্নখিবনি। মতৌ অসুম্না সঞ্জয় বঙ্গর অমদি আর শ্রীধারনা মথংশিংনা বেটিং অমদি ফিল্ডিংগী কোচ ওইরগনি হায়খিবনি।

# নেসনল পেনকাক সিলাট চেম্পিয়নশিপ ২০১৭ তা শরুক য়াগদবা মণিপুরগী শান্নরোয়শিংগী মমিং লাউথোকখ্রে

ইম্ফাল, জুলাই ১৯ : পঞ্জাবকী অমৃটসরদা লাক্লিবা ওগষ্ট ১৮ দগী ২০ ফাওবা পাঙথোক্কদৌরিবা নেসনল পেনকাক সিলাট চেম্পিয়নশিপ ২০১৭ তা শরুক য়ারুগদবা পেনাকাক সিলাট এসোসিএসন ওফ মণিপুরগী টিমদা য়াওগদবা নুপামচা অমদি নুপীমচা শান্নরোয়শিংগী মমিং লাউথোকখ্রে।

পেনকাক সিলাট এসোসিএসন ওফ মণিপুরগী প্রসিদেন্ট জুগেশ্বর খেত্রিময়ুমনা খূৎয়েক পীদুনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, নেসনল চেম্পিয়নশিপ অসিদা শরুক য়ারুনবা পেনকাক সিলাট এসোসিএসন ওফ মণিপুরগী টিমদা য়াওগদবা সব জুনিয়রগী শান্নরোয়শিং অদুদি এল বোইতোন, দল্লিয়ু সনালেম্বা, দল্লিয়ু সন্তোস অমদি এল ৱিলসননি।

জুনিয়রগী তোঙান তোঙানবা কেটোগোরিশিংদা শরুক য়ারুগদবা শান্নরোয়শিং অদুনা এম গুজরাল, কে এস ঐচ বিকাস, এস রোমিও, এন এদিসন, কে ঐচ জয়কুমার, কে এস ঐচ জগদিস, পি য়াইফবা, এম কিরন, এস বিকিসন অমদি এস মালেমঙানবনি। অদুগা সেনিয়র মেন অমসুং ফিমেলদা শরুক য়ারুগদবা শান্নরোয়শিংনা ৱাই রোহিট, টি ঐচ জোনসন, পি বসন্তা মীতৈ, ঐচ বিসাল মীতৈ, কে ঐচ সোমোরেন্দ্রো, এল বিদ্যাচন্দ্র, এন জি কলম্বস মীতৈ, কে ঐচ নোবিন, এ তোনদোনবা, কে ঐচ জেক, পি ঐচ ঙানবা, টি ঐচ রোনিবালা, এম বেবি, এস ঐচ জোহানা, ৱাই নোংপোকঙানবী চনু, এ সরজুবালা অমসুং টি ঐচ মেনেকানি।

নেসনল পেনকাক সিলাট চেম্পিয়নশিপ ২০১৭ তা শরুক য়ারুনবা পেনকাক সিলাট মণিপুর টিমগীদমক খনগৎলগা শান্নরোয়শিংগী অখন্নবাকোচিং কেম্প অমা লাক্লিবা জুলাই ২২ অমদি ২৩ দা সেক্তাগী ময়ায় লৈকায় কম্যুনিতি হোলদা পাঙথোক্লগনি। মরম অসিনা নেসনল চেম্পিয়নশিপ অসিদা শরুক য়ানবগীদমক সেলেক্সন ফংলবা শান্নরোয়শিংনা লাক্লিবা জুলাই ২২ গী অয়ুক পুং ১১ গী মমাঙদা এসোসিএসন অসিদা রিপোর্ট তৌরনবা পেনকাক সিলাট এসোসিএসন ওফ মণিপুরগী প্রসিদেন্ট জুগেশ্বরি খেত্রিময়ুম্না থাদোরকপা চেরোল অমনা মখা তানা খঙহল্লক্লি।

অহানবা এল ইতোমচা মেমোরিএল সুপর দিভিজন ফুটবোল লীগ ২০১৭

# এ এম ও এফ এ মোইরাংনা কে পি এফ সী খা পোৎশংবমবু গোল ৩-২ দা মায়থীবা পীখ্রে



ইম্ফাল, জুলাই ১৯ : দিষ্ট্রিক্ট স্পোর্টস এসোসিএসন (দি এস এ) বিষ্ণুপুরগী মিৎয়েং মখাদা বিষ্ণুপুরগী মিনি ষ্টেদিয়মদা চত্থরিবা অহানবা এল ইতোমচা মেমোরিএল সুপর দিভিজন ফুটবোল লীগ ২০১৭ কী ঙসি শান্নখিবা মেচতা এ এম ও এফ এ মোইরাংনা কে পি এফ সী খা পোৎশংবমবু গোল ৩-২ দা মায়থীবা পীখ্রে।

টুর্নামেন্ট অসিগী মরিশুবা মেচ ওইনা ঙসি নুংথিল পুং ৩ তাবদগী এ এম ও এফ এ অমসুং কে পি এফ সী শান্নখি। মেচকী অহানবা হাফ হৌরকপদা নাকল অনীমক্না অকনবা লম্বা তৌনখি। মেচকী ২১ শুবা মিনিটতা এ এম ও এফ এগী জর্সি নম্বর ৯ ঙম্পু কোমনা গোল অমা চন্দুনা মহাক্কী টিমনা গোল ১-০ দা মাঙজিল থাখি। গোল অদু কে পি এফ সীগী মায়কৈদগীসু হন্দোক্ননবা কন্না হোৎনরকখি। মেচকী ৪৫ প্লস ৩ চৎপা মতমদা কে পি এফ সীগী জর্সি নম্বর ১ সনাতোন্না গোল অদু হন্দোক্তুনা অহানবা হাফ লোইবা ফাওবদা গোল ১-১ দা ইক্বেলাইজ তৌদুনা লৈখি।

অনীশুবা হাফ হৌরকপদা টিম অনীমক্না অকনবা লম্বা তৌদুনা মখা তানা শান্নখি। মেচকী ৬৪ শুবা মিনিটতা এ এম ও এফ এগী জর্সি নম্বর ৫ বোয়না গোল অমা চন্দুনা মহাক্কী টিম্না গোল ২-১ দা মাঙজিল থাখি। মিনিট অমখক কান্নরগা মেচকী ৬৫ শুবা মিনিটতা এ এম ও এফ এগী জর্সি নম্বর ১১ মহিচান্দনা গোল অমগা অমুক চন্দুনা মহাক্কী টিম্না গোল ৩-১ দা মাঙজিল থাখি।

অনীশুবা হাফতা এ এম ও এফ এনা গোল অনী থংনা থংননা চনশিল্লকখিবা অদুবু হন্দোক্ননবা কে পি এফ সীগী শান্নরোয়শিংনা কন্না হোৎনরকখি। মেচকী ৭৯ শুবা মিনিটতা কে পি এফ সীগী জর্সি নম্বর ১৬ রোবিন্দ্রোনা গোল অমা হন্দোক্তুনা মেচ অদু ২-৩ দা লৈহনখি। অদুমকপু মেচকী অরোইবা মিনিট ফাওবদা মখা তানা গোল হন্দোকপা ঙমখিদবদগী মেচ অদু এ এম ও এফ এনা গোল ৩-২ দা মায় পাকখি।

# মেচ ওফিসিএলশিং খনখ্রে

ইম্ফাল, জুলাই ১৯ :
খুমন লম্পাক্তা লাক্লিবা জুলাই ২২ দগী ২৬ ফাওবা চত্থগদৌরিবা অন্দর-১৭ গার্লস ষ্টেট লেভেল সুবর্টো কপ ২০১৭ কী মেচ ওফিসিএলশিং ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিএসন্না খনখ্রে।

ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিএসনগী ওফিস মেমোরেন্দম অমনা মেচ ওফিসিএল ওইনা খল্লে হায়রিবা মীওইশিং অদুদি মেচ কম্মিস্নার কম রেফ্রি এসেসর ওইনা ঐচ খম্বা অমসুং লোকেন্দ্রো সাপমনি। অদুগা রেফ্রি ওইনা খল্লবশিং অদুনা দল্লিয়ু স্প্রিংসন, ঐচ অমরজিৎ মীতৈ, এল হরিমোহন, টি হেমন্তা, ঈ দেবলা অমসুং এম রোসনিনি।

খল্লবা ওফিসিএলশিং অসি জুলাই ২১ গী নুংথিল পুং ২ তাবা মতমদা য়ুথ এফেয়রস এন্দ স্পোর্টসকী দিরেক্টরদা রিপোর্ট তৌরগদবনি হায়নসু মেমোরেন্দম অদুদা পল্লি।

L.G. MOTORS

> HEAVY VEHICLE FOR LOAN AVAILABLE
AREA COVER:
MANIPUR STATE
NO GUARANTOR
NO PROCESSING FEE
OFFICE HOUR:
9.30AM TO 4.00PM
KHAGEMPALLI HUIDROM LEIKAI ,H.Q
NEAR YUMJAO LAIREMBI MANING,IMPHAL WEST,MANIPUR
BRANCHES:- SEKMAI KOUJENGLEIMA,SAMUROU NEAR MACHU HALL,KAKCHING OPP. P.S.,
THOUBAL OKRAM, NAMBOL PHOIJING LAMBAN,MOIRANG PATLOU.
HL-B/3953/8/7-17/8

Printed, published by Soubam Niladhaja Singh owned by Soubam Niladhaja Singh published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal-795001 & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal, Manipur
Editor : Hemantakumar Ningomba; Asstt. Editor : Kh. Nandalal; Group Editor : Soubam Niladhaja Singh; RNI No. 40746/1978; Telephone Nos. 0385-2440771/2445104/2445106, e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com, www.hueiyenlanpao.com